# কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওটকী ইনক্কারিদা কোওপরেসন পীয়ু হায়বদা রিপব্লিকান কোংগ্রেসমেননা য়াখিদ্রে

ৱাশিংতন, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারী ৬তা কেপিটোলদা চথখিবা এটেক্কী মতাংদা থিজিল্লিবা হাউস সেলেক্ট কম্মিটিনা কোওপরেসন পীয়ু হায়বদা মহাক্না য়াখিদ্রে হায়না ওহাইওগী রিপব্লিকান রিপ্রজেন্টেটিভ জিম জোর্দাননা নোংমাইজিং নুমীৎতা লাউথোকখ্রে।

পেনেল অদুগী ৱাহংশিংবু য়ানিংদবা উৎখিবা য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড জে ট্রম্পকী মীচঙ কয়ানা মমাঙদা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কোওপরেসন পীবগী ৱাফম য়াখিদ্রবা মতুংদা রিপব্লিকান রিপ্রজেন্টেটিভ জোর্দাননসু য়াখিদবনি। কুমজা ২০২০গী মীখলদা অকায়বা পীনবা হোৎনবদা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বা খঙদোক্নবা হোৎনবদা কম্মিটিনা হৌখিবা দিসেম্বরদা রিপ্রজেন্টেটিভ জের্দানদা লেট্টর অমগী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি, কেপিটোলদা রাইওট অদু থোক্লিঙৈগী মমাঙদা লৈখিবা মহাক্কী কম্যুনিকেসনশিংগী মরমদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মহাকপু ৱাহং-পাউহং তৌবা পাম্মী। রাইওট থোক্লমদাইগী কম্যুনিকেসনশিংদুগী মনুংদা জের্দাননা ট্রম্প অমদি মহাক্কী লিগেল টিম লোয়নন জন্যুৱারী ৬কী রেল্লিশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা চেন্নখিবা অতৈ মীওইশিংদা থাখিবা মেসেজশিং য়াওরি। মসিদা নত্তনা জোসেফ আর বাইদেন জুনিয়রনা মায় পাকখিবদা সর্টিফাইদ তৌবগী মতাংদা কোংগ্রেসনা ওবজেক্সন তৌখিবনচিংবা য়াওরি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা রুলস কম্মিটিদা মহাক জন্যুৱারী ৬কী কম্মিটিগী ইনভেষ্টিগেসনদা করিমত্তা লোৎনিংঙাই ওইদে হায়খিবা পেনেল অদুগী ইনক্কারি অদুবু নোংমাইজিং নুমীৎতা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না দেমোক্রেটশিংবু পোলিটিকেলগী খেন্নবা মীৎয়েংদা ওপোনেন্টশিংদা হরাসমেন্ট পীনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি।



জোর্দাননা মিসিসিপিগী দেমোক্রেট অমসুং চেয়রমেন ওইরিবা রিপ্রজেন্টেটিভ বেনি থোমসনদা ইখিবা লেট্টর অমদা হায়খি মদুদি, পেনেলনা অসুম্না হায়জরক্লিবসি লিজিটিমেট ইনক্কারি অমগী চৎন-কাঙলোনশিংগী ৱাংমদনি। মসিনা কোর কন্সটিট্যুসনেল প্রিন্সিপলশিং ভাইওলেট তৌই অমসুং লেজিসলেটিভ নোর্মশিং মখা তানা খোঙ্গাওনরক্কনি।

পনবা য়াবদি, রিপব্লিকান রিপ্রজেন্টেটিভ জোর্দান অসি ট্রম্পনা ইলেক্সন রিজল্টশিং থেংননবা হোৎনখিবশিংদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াখিবা মীশক অমনি। মহাক্না অর্লিংতনদা লৈবা ট্রম্প কেম্পেয়ন হেদ ক্বার্টরসতা কুমজা ২০২০গী নবেম্বরদা মীটিংশিং পাঙথোক্লবা শীনবদা শরুক য়াখিবদা নত্তনা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বরদা হ্বাইট হাউসতা পাঙথোকখিবা মীটিং অমা শীনবদসু শরুক য়াখি।

হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারী ৫দা জের্দাননা ট্রম্পকী চীফ ওফ ষ্টাফ মার্ক মিদোজদা উকিল অমদগী ফংখিবা টেক্স মেসেজ অমা থাখি। উকিল অদু পেন্টাগোনগী হান্নগী ইন্সপেক্টর জেনরেলনি। মহাক্না মেসেজ অদুদা মীখলগী রিজল্টশিং ওন্থাং-ওনশিন তৌনবগী লিগেল ষ্ট্রেটেজি অমগী মতাংদা পনখি।

মিদোজনা হায়খি মদুদি, সিনেটকী প্রসিদেন্ট ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ফাউন্দিং ফাদর অলেকজেন্দর হমিল্টনগী গাইদেন্স মতুংইন্না ইলেক্টোরেল ভোটশিং ওইফম থোক্তে খনবা ভোটশিং খন্দোক্কদবনি।

# সুদানদা সিভিলিয়ন লৈঙাক লৈহন্নবা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্ট চত্থবা হৌখ্রে

খার্তুম, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক সুদানদা সিভিলিয়ন লৈঙাক লৈহন্নবা তকশিল্লদুনা লৈবাক অসিগী কেপিটেল খার্তুম অমসুং অতৈ সিটিশিংদা ইনৌ নৌনা দেমোন্সত্রেসন চত্থবা হৌখ্রে।

সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, প্রোটেষ্টর গ্রুপ কয়া কেপিটেল সিটিগী বস ষ্টেসন্দগী খোঙশান্দুনা সেন্ট্রেল খার্তুমদা লৈবা রিপব্লিকান পেলেস তম্না চঙশিনখি। দেমোন্সত্রেসনশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা ওথোরিটিশিংনা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা সিটি অহুম খার্তুম, ওমদুর্মান অমসুং বহারিগা শম্ন হল্লিবা থোং অয়াম্বা থিংজিনখিবগা লোয়ননা শুপ্নগী অল-হাফ্যা অমসুং সুবা থোংশিংগীদমক চৎথোক-চৎশিন য়াহনখি।

সিক্যুরিটি বোদিশিংনা আর্মিগী জেনরেল কম্মান্দ হেদক্বার্টরসকী অকোয়বদা লৈবা অয়াম্বা লম্বীশিং অমদি প্রসিদেন্সিএল পেলেস তাবা লম্বীশিংসু থিংজিনখ্রে। থাংজ নুমীৎতা য়ু এননা ক্রাইসিস অদু লোইশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সুদানিজ পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা প্রোসেস অমা লোঞ্চ তৌখি।



সুদানগী ওইবা য়ু এন এনভোই ভোল্কর পার্থেসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, পোলিটিকেল প্রোসেস অদুগী মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অদুদা দিমোক্রেসি অমসুং মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী তুং কোয়বা লম্বী অমা শেমগৎপনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী দিস্কসন অদু করম্বা মতমদা হৌগদগে হায়বা খুদক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে।

পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমসুং প্রোটেষ্ট কয়াগী মরক্তা হৌখিবা জন্যুৱারী ২দা প্রাইম মিনিষ্টর অব্দাল্লা হমদোকনা মহাক মফম থাদোক্লে হায়না লাউথোকখি। হৌখিবা ২০২১গী ওক্টোবর ২৫দা সুদানিজ আর্মদ ফোর্সেসকী জেনরেল কম্মান্দর অবদেল ফাট্টাহ অল-বুর্হাননা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকপগা লোয়ননা সোভরেন কাউন্সীল অমসুং গভর্ণমেন্ট মুথৎখিবদগী সুদানদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লুনা লাকখি। কূ অদুগী মতুংদা চত্থরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ৫৫ হেন্না শিখ্রে।

## মেক্সিকোদা ফ্লুরোনাগী কেস অহুম থেংনরে

মেক্সিকো সিটি, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

মেক্সিকোগী নয়ারিট অমসুং জলিস্কো ষ্টেটশিংদা ফ্লুরোনাগী অহানবা কেস অহুম থেংনরে হায়রি। নয়ারিটকী হেল্থ সেক্রেটরি জোজ ফ্রান্সিকো মুঙ্গিয়া পেরিজকী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা মশাগী চহী ২৮শুরবা নুপী অমদা ফ্লুরোনা দিটেক্ট তৌখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্বাদালাজরাগী ইমর্জিং এন্দ রিইমর্জিং দিজিজেজ দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটোরিগী হেদ অলেজেন্দ্র নেতালি ভেগা মগানানা ফোঙদোকখিবদা, জলিস্কো ষ্টেটতা ফ্লুরোনাগী অতোপ্পা কেস অনী থেংনরে। পেসেন্ট অনী অদু অরুবা লায়ওং অমত্তা উৎতে। মখোয় আউটপেসেন্ট অমগী মওংদা লায়েং চত্থরি। ওফিসল অসিনা হায়খি মদুদি, কোরোনা অসি অনৌবা লায়না অমা নত্তে। মরমদি মসি অতৈ লৈবাকশিংদা কুমজা ২০২০দা থেংনখ্রবনি। ফ্লুরোনা লায়না অসি কোভিদ-১৯ অমসুং ইনফ্লুএঞ্জাগী দবল ইনফেক্সননি।

## মূন জে-ইন মিদল ইষ্টতা চৎলগনি

সিওল, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইন চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তা মিদল ইষ্টকী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ অমা চৎলগনি। ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোরকপদা, সিওলনা ইনর্জি, কন্সত্রক্সন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমশিংদা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ), সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইজিপকা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মিদল ইষ্টকী খোঙচৎ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

খোঙচৎ অদুগী অহানবা খোঙথাফম ওইনা জন্যুৱারী ১৬তা মূননা য়ু এ ঈদা ভিজিনেস ফোরম অমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা দুবাই এক্সপোদা 'দে ওফ কোরিয়া'গী ওফিসরগী থৌরম অমদসু শরুক য়াগনি। মদুগী মতুং মথংগী নুমীৎতা মহাক্না অবু ধাবিগী ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন জায়েদ অল-নয়ানগা করম্না লৈবাক অনীগী মরী মখা তানা চেৎশিনহনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারী শানগনি। য়ু এ ঈগী মথংদা প্রসিদেন্ট মূননা জন্যুৱারী ১৮-১৯দা সাউদি অরাবিয়াদা চৎতুনা ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানগা ৱারী শানগনি অমসুং বিজিনেস ফোরম অমদা শরুক য়াগনি।

## হোস্পিটালাইজেসনগী চাং চাদা ৬.২ হেনগৎলে

অঙ্করা, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

টর্কিদা হৌখিবা চয়োল অহুম অসিদা কোভিদ-১৯ হোস্পিটালাইজেসনগী চাং চাদা ৬.২ হেনগৎখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর ফরেট্টিন কোকানা ফোঙদোকখ্রে। ত্বিটর পোষ্টতা মিনিষ্টর অসিনা হায়, ইন্টেন্সিব ক্যের অমসুং ইন্ট্যুবেসনদা য়াম্না হেনগৎপদি লৈতে। হোস্পিটাল অসিদা শিরিবা কোভিদ পেসেন্ট অয়াম্বা চহী ৬০ হেল্লবা অমদি মশাদা হান্নদগী লায়না কয়া পল্লবা মীওইশিংনি।

# ফিজিয়ন ১,৮৩৭ ইভাক্যুএসন সেন্টরশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি

সুবা, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

ট্রোপিকেল সাইক্লোন কোদিনা নোং কন্না চুহনবগা লোয়ননা ঈশিং-ঈচাউ থোকহনবদগী মীওই ১,৮৩৭ ফিজিগী মফম কয়াদা লিংলিবা ইভাক্যুএসন সেন্টর ১১০দা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা মিনিষ্টর ফোর দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ইনিয়া সেরুইরাতুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, মীওই ১,৮৩৭ অদুগী মনুংদা মীওই ১,০৪৫দি ঈথৎ লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সেন্টর ৭৬তা চঙজফম লৌরি, মীওই ৫৫৩না লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তা লৈবা ফেসিলিটি ২৮দা চঙজফম লৌরি। ঈথৎ লৈবাক অসিগী মরুওইবা তুরেল ৭ তোৰ্ব্বান কায়দুনা পাথোক্লে হায়রি।

ফিজি রোদস ওথোরিটি (এফ আর এ)না হায়, মরুওইবা ঈথৎ ওইরিবা ভিটি লেভুগী মরুওইবা হায়ৰে অনী হায়বদি কিংস অমসুং ক্বিন্স হায়ৰেশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী চৎপা থিংখ্রে। নোংমাইজিং নুমীৎতা অকনবা ঈরৈনা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা নুপা অমা চেন্থখি। থৌদোক অদু নুপা অদুনা ফিজিগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি ওইরিবা নাদিদগী কিলোমিটর ৯০ রোম লাপ্পা লৈবা তবুৱা তুরেল লান্নবা হোৎনবদা থোকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফিজিগী মিটিওরোলোজিকেল সর্ভিস (এফ এম এস)না ফোঙদোরকখিবদা, সাইক্লোন কোদি ফিজিদগী হন্দোকখ্রবসু মথংগী নুমীৎ খরনি অসিদা নোংনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোক্লকপা য়াই। পেসিফিক সাইক্লোনগী মতম অসি নবেম্বরদগী এপ্রিল ফাওবনি। হায়রিবা মতম অসিদা ফিজিদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন কয়া লাক্তুনা ঈশিং-ঈচাউ অমদি অৱা-অনা কয়া থোকহন্দুনা লাক্লি।

# কাবুলদা পাক্তক্লনা পোষ্টর থেৎতুনা হিজাব শীজিন্নবা নুপীশিংদা খঙহনখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

তালিবান গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ প্রমোসন ওফ ভার্চ্যু এন্দ প্রিভেন্সন ওফ ভাইসনা কাবুলদা পোষ্টর কয়া পাক্তক্লনা থেৎতুনা নুপীশিংদা হিজাব শীজিন্নবা খঙহনখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

নোংমাইজিং নুমীৎতা কেপিটেল সিটি অসিগী মফম কয়াদা উবা ফংখিবা পোষ্টরশিং অদুনা হায়রিবদি সরিয়া লোদা য়ুম্ফম ওইরগা মুস্লিম নুপী অমনা হিজাব ওবজার্ভ তৌগদবনি। মসি সরিয়া লোগী কম্মান্দমেন্ট অমনি। পোষ্টরশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা হিজাব মখল অনী উৎপা পোট্রেট অনীসু য়াওবা উই। পোষ্টরশিং অদুদা উৎলিবা হিজাব মখল অনী অদুগী মনুংদা অমনা মীৎশিং য়াওনা মায় পুম্বা কুপশিনবা ব্লেক অবায়া অমসুং অতোপ্পদুনা অফঘানিষ্টানদা মহৌশাদগী হৌনা নুপীশিংনা শীজিন্নবা ফিজোল অমা ওইরিবা হকচাং পুম্বা কুপশিনবা ব্লু গার্মেন্ট (বুর্কা)নি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, প্লে কার্দশিং অসি নুপীশিংদা হিজাব শীজিন্নবা খঙহনবা খক্তনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়দা নম্ফুদা হিজাব শীজিন্নহন্নবা লৌখৎপা খোঙথাংদি নত্তে। লৈঙাক্কী পৱার পায়বা হৌখিবা থা ৫ রোমগী মতুংদা তালিবাননা গ্রুপ অসিগী ইস্লামিক লোগী অকনবা ইন্টরপ্রিটেসন অমুক হন্না চৎনহন্নবা হোৎনরকখিবনি।

হন্দক চয়োল খরা অসিদা পরিংনাইনা ইস্যু তৌখিবা দিক্রিশিংদা মিনিষ্ট্রি অসিনা মরুওইনা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী লমচৎ-শাজৎ, মখোয়না চৎথোক-চৎশিন অমসুং মখোয়গী মশক মতৌগা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থমখিবনি। খ্বাইদগী ইনৌ নৌনা থমখিবা অথিংবা অমদি নুপী অমসুং নুপীমচাশিংনা নকশিন্নবা নুপা মরী-মতা অমা লোয়নদ্রবদি কোফি সোপশিংদা চঙবদা অথিংবা থমখি। অথিংবা অসি হেরা প্রোভিন্সতা চৎনহনখি। প্রোভিন্স অসিগী তালিবান ওফিসল অমগী মতুংইন্না কোফি সোপশিং অসি মোরেল করপসন লাক্লবগী মরুওইবা মফমশিংগী মনুংদা অমনি। মোরেল করপসন লাকপসিনা মরম ওইরগা হেরাটতা নহারোল কয়া লান্না লমজিংখি।

হৌখিবা থাদা তালিবাননা দুকান মপুশিংদা মনিকিনশিংগী মকোকশিং লৌথোক্লবা ওর্দর তৌখি। ইস্লামিক ওইদে হায়রদুনা তালিবাননা ফিরোল য়োনবা দুকানশিংদা থল্লিবা মনিকিনশিংগী মকোকশিং লৌথোক্লবা খঙহনখিবনি। কিলোমিটর ৭২ হেন্না চৎনবা হোৎনরিবা নুপীশিং নক্লবা নুপা মরী-মতা অমা লোয়নদ্রবদি চৎপগী অয়াবা পীবা য়ারোই হায়নসু তালিবাননা লাউথোকখি। মিনিষ্ট্রি ফোর দ প্রমোসন ওফ ভার্চ্যু এন্দ প্রিভেন্সন ওফ ভাইসনা চাইথোকখিবা এদভাইজরি অদুনা গাড়ী দ্রাইভর পুম্নমক্তা মখোয়গী গাড়ীদা ম্যুজিক থাদনবা অমসুং ইস্লামিক হিজাব শীজিন্নদবা নুপী পেসেঞ্জরশিং তোংহন্দনবসু খঙহনখি।

# রিস্ক ৱাংবা গ্রুপশিংদা মরিশুবা দোজ কাপ্পবা আপীল তৌখ্রে

নোম পেন, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

কম্বোদিয়াগী কেপিটেল নোম পেনদা লৈরিবা রিস্ক ৱাংবা গ্রুপশিংদা লাক্লিবা ইরাই নুমীৎতগী হৌরগা কোভিদ-১৯গী মরিশুবা দোজ কাপ্পবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেননা আপীল তৌখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না মরিশুবা দোজ কাপ্পগী কেম্পেয়ন অদু গভর্ণমেন্ট, সিনেট, নেসনল এসেমব্লীগী লিদরশিং, ফ্রন্টলাইন ডোক্তরশিং, গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং, আর্মি অমসুং পুলিস, লোকেল ওথোরিটিশিং অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিং য়াওনা ফ্রন্টলাইনরশিংদগী হৌগনি। এম্বেসিশিংগী ষ্টাফ অমসুং নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং সেলেব্রেটিশিংসু কেম্পেয়ন অদুদা য়াওনবা ইনভাইট তৌখ্রে হায়রি।

কিংদম অসিদা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী অহেনবা লোকেল টেষ্ট অহুম রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অপূনবা কেস মশীং ১৮৩ শুরে হায়না হুন সেননা লাইভ ব্রোদকাষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ওমিক্রোন অসি হৌজিক ঐখোয়গী কম্যুনিটিদা শন্দোরক্লে। থাংজ নুমীৎতা অহানবা কেস কনফর্ম তৌখি। নোংমাইজিং নুমীৎতা অহেনবা কেস অহুম দিটেক্ট তৌখি। চৈরকসিদা হুন সেননা অনৌবা একাদেমীক চহী ২০২২ হৌরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। নিংথৌকাবা নুমীৎতগী হৌগদৌরিবা অনৌবা একাদেমীক চহী অসিগী ওইনা মহৈরোয় মিলিয়ন ৩ হেনবনা স্কুল কাবা হৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ভেক্সিনেসন রেট ৱাংলবা কম্বোদিয়ানা কুমজা ২০২১গী নবেম্বরদগী সোসিও-ইকনমিক এক্টিভিটি পুম্নমক অমুক চত্থবা হৌহনখিবনি। লৈবাক অসিনা হৌজিক ফাওবদা অপূনবা মীশিং মিলিয়ন ১৬কী মনুংদা মিলিয়ন ১৪.২৮দা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে।

# ইকনমিক সোভরেন্টি লৈতবা অসিনা ফোরেন পোলিসীদা শোকহল্লে : পাক এন এস এ

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

ইকনমিক সোভরেন্টি লৈতবা অসিনা লৈবাক্কী ফোরেন পোলিসীদা শোকহল্লে হায়না পাকিস্তানগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর (এন এস এ) মুয়ীদ য়ুসুফনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর্ভ্যিু অমদা এন এস এ য়ুসুফনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা জিওন্যুজনা হায়, পাকিস্তানগী ফোরেন পোলিসী অসি হৌজিকসু য়ু এসকী ইথিল চঙদুনা লৈরি। ঐহাক্কী ৱাখলদা অসিগুম্বা ইথিল চঙদবা লৈবাক ইরৈ লৈরম্লোই হায়না লৌই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, পাকিস্তান অসি ফাইনান্সিএল অমসুং ইকনমিক ইন্দিপেন্দেন্স লৈতে। লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা মীশিংগী তঙাইফদবশিং কোন্নহনগদবা পাকিস্তানগী কেপিটেল মতিক চানা লৈতে। ঐখোয়না দিমান্দশিং থুংহনবা ঙমদ্রবদি মপান্দগী লোনশিং লৌনবা হোৎনৈ। লোন লৌবা মতমদা ঐখোয়গী ইকনমিক সোভরেন্টিদা চৈথেং পী। লৈবাক অমনা ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা ইন্সটিট্যুসন্দগী লোন লৌনবা হোৎনবা মতমদা লৈবাক অদুগী সোভরেন্টি কম্প্রোমাইজ তৌই। অফঘানিষ্টানগী মতাংদা পাকিস্তানগী করি করি থৌরাংশিং লৈবগে হায়না হংবদা মহাক্না হায়খি মদুদি, ইকনমিক সোভরেন্টি লৈতবা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ফোরেন পোলিসীদা অকায়বা লাকই। ফোরেন পোলিসীদা শোক্লকপা মতমদা ঐখোয়না লৈবাক্কী থৌরমশিং চলাইবা ঙম্লক্তে। অফঘানিষ্টানগী ওইরবসু অতোপ্পা লৈবাক্কী ওইরবসু ঐখোয়না ইকনমিক ইন্দিপেন্দেন্স লৈতনা অফবা থৌরাংশিং পুথোকপা ঙমদে।

য়ুসুফনা মখা তানা হায়খি মদুদি, লৈবাক অমনা মালেমগী মনি লেন্দরশিং মপাল তাঙদুনা লৈরবদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং নৎত্রগা সিক্যুরিটি হায়বদি আর্মদ ফোর্সেস অমসুং ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিগী রিছোর্সশিং এলোকেসন তৌবা ঙমদে। মশাগী রিছোর্সশিংগী খুত্থাংদা লোকেল দিমান্দশিং থুংহনবা ঙমদ্রবদি লৈবাক অমা শেল-থুমদা নীংতম্লে হায়বা য়াদে।

# উংখৎনবা মরক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানা জিনেভাদা সিক্যুরিটিগী ৱারী শানবা হৌরগনি

ৱাশিংতন, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

জিনেভাদা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী য়ু এস অমসুং রসিয়ানা সিক্যুরিটিগী ৱারী শানবা হৌগদৌরিবা অসিদা মালেম পুম্বনা মীৎয়েং চঙনরি। ৱারী শানবদু মরুওইনা নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাতো) অমসুং য়ুক্রেনদা উংখৎনবা হেনগৎলকপা, খুৎলায় কন্ট্রোল, সাইবর সিক্যুরিটি অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জদা মীৎয়েং থম্লবা য়াই হায়না এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়রি।



দাইলোগ অদু য়ু এস-রসিয়াগী মরী ফগৎহন্নবগী পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ইঙ্গিৎ অমনি হায়রবসু এক্সপার্টশিংনা মদুগী রিজল্টশিংগী মতাংদদি চপ চানা মোত পীবা ঙমদ্রি। মমাঙদা ওর্গনাইজেসন ফোর সিক্যুরিটি এন্দ কোওপরেসন ইন য়ুরোপকী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা থৌ পুরল্লবা জিনেভা সেন্টর ফোর সিক্যুরিটি পোলিসীগী দিরেক্টর থোমাস গ্রেমিংজরনা ভার্চুএল ইন্টর্ভ্যিু অমদা ৱারী শানগদৌরিবা অসিগী রিজল্টশিং ঐখোয়না চপ চানা হায়বদি ঙল্লোই হায়না ফেঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, জেনেভাদা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী ষ্ট্রেটেজিক ষ্টেবিলিটি দাইলোগ চত্থবা উরগনি। মখোয়না অসুম্না উন্নদুনা ৱারী শান্নবা হায়বসি ফৈ। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী এজেন্দাগী ইস্যুশিংগী মতাংদদি ঐখোয়না হায়জিনবা য়াদে। ৱারী শান্নগদৌরিবা অসি নাকল অনীমক্না লুনা লৌনবা ৱাফমশিং খন্নবা অমদি মখোয়গী অপাম্বশিং ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা অমনি।

জিনেভাদা লৈবা গ্রেজ্যুএট ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্টরনেসনল এন্দ দিভেলপমেন্ট ষ্টদিজগী প্রোফেসর কিথ ক্রোসনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, ৱারী শানগদৌরিবা অসিগী রিজল্টশিং য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইগনি হায়না ঐহাক্না লৌজে। মসি তুং কোইনা চত্থরক্কদবা ৱারীগী অহৌবা ওইবা য়াই।

# ক্রাইসিস মায়োক্লরিবা শ্রি লঙ্কানা চাইনাদা শেন্দোল রিপেমেন্ট রিষ্ট্রকচর তৌনবা হায়জখ্রে

কলম্বো, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

শ্রি লঙ্কাগী লেপ্তুনা ফীভম শোকচিল্লক্লিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস থোকহনবদা মতেং ওইনবা হোৎনরিবশিংগী শরুক অমা ওইনা ঈথৎ লৈবাক অসিগী শেন্দোল রিপেমেন্টশিং রিষ্ট্রকচর তৌবীনবা সাউথ এসিয়াগী ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট গোতাব্যা রাজাপক্সনা চাইনাদা হায়জখ্রে।

নোংমাইজিং নুমীৎতা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংয়িগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রাজাপক্সনা রিপেমেন্ট রিষ্ট্রকচর তৌবীনবা হায়জখিবনি।



রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা চাইনানা লম্বী, এয়রপোর্ট অমসুং হিথাংফমশিং য়াওনা প্রোজেক্ট কয়াগীদমক্তা শ্রি লঙ্কাদা দোলর বিলিয়ন ৫ হেন্না পুহনখি। চাইনা অসি ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল মার্কেটশিং, এসিয়ন দিভেলপমেন্ট বেঙ্ক অমসুং জপানগী মথংদা মরিশুবা খ্বাইদগী চাউবা লেন্দরনি।

তৌইগুম্বসুং ক্রিটিকশিংনা হায়রি মদুদি, ঈথৎ লৈবাক অসিনা শেনফমশিং অদু রিটর্নশিং নেম্বা কান্নদবা স্কিমশিংদা ওইনা শীজিন্নখি। রাজাপক্সগী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা ঈথৎ লৈবাক অসিদা মায়োক্লরক্লিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিসকী সোল্যুসন অমা ওইনা শেন্দোল রিপেমেন্টশিং রিষ্ট্রকচর তৌবদা মীৎয়েং চঙবীরবদি লৈবাক অসিগী অৱাবা কোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়না উনবা অদুদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা থমখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, চাইনানা শ্রি লঙ্কাদা পোৎ-চৈশিং য়োল্লকপদসু কন্সেস্নেল টর্ম লৈহন্নবসু চাইনাদা হায়জখ্রে। ঈথৎ লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহীদা চাইনানা দোলর বিলিয়ন ৩.৫ রোমগী পোৎলমশিং এক্সপোর্ট তৌখি। রাজাপক্সনা মীফম অদুদা চাইনিজ টুরিষ্টশিং কোরোনাভাইরস রেগুল্যেসনশিং চেকশিন্না ঙাক্লবদি শ্রি লঙ্কাদা অমুক হন্না চঙবা য়াহনগনি হায়নসু ওফর তৌখি।

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী মমাঙদা চাইনা অসি শ্রি লঙ্কাগী খ্বাইদগী মরুওইবা টুরিষ্টশিংগী হৌরকফমনি। ঈথৎ লৈবাক অসিনা চাইনাদগী পোৎ-চৈশিং ইম্পোর্ট তৌরিবসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী হেল্লি। হৌখিবা থা খরা অসিদা শ্রি লঙ্কানা শাথিরবা শেন্দোল শীংবা ঙমদবগী ফীভম অমদি ফোরেন এক্সচেঞ্জ ক্রাইসিস মায়োক্লরকখি। পেন্দমিক মনুংদা টুরিষ্ট ইনকম লাক্তবদগী ক্রাইসিস অদু হেন্না লুশিনখি। রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না লৈবাক অসিনা চাইনাদগী সোফ্‌ট লোনশিং ওইনা দোলর বিলিয়ন কয়া ফংখিবনি।

# ইজরেলনা ফুদ ষ্টোরশিংদা কোভিদ সেল্ফ-টেষ্ট কিটশিং য়োনবা য়াহনখ্রে

টেল অভিভ, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী):

ইজরেলি হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী ফুদ ষ্টোরশিংদা রেপিদ কোভিদ-১৯ টেষ্ট কিটশিং য়োনবগী পর্মিসন পীখ্রে। সেল্ফ-টেষ্ট কিটশিং পাক শন্না অমসুং মমল হোংনা ফংহন্নবগী পান্দমদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

এজেন্সীগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা ফার্মাসিশিংদা হোম এন্টিজেন টেষ্ট কিটশিং য়োনবা য়াহল্লে। ইজরেলগী অনৌবা ক্বারন্টিন রুলশিংগী মতুংইন্না ভেক্সিন কাপ্লবা অমসুং নাবা ফরবা চহী ৬০গী মখা ওইবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অমগা নকশিন্নরুৱবা মীওইনা রেপিদ হোম টেষ্ট কিট শীজিন্নবা য়াই অমসুং মহাক নেগেটিভ রিজল্ট ফংলবদি ক্বারন্টিন তৌদ্রবসু য়াই।



মরুওইনা য়াম্না লৌনগল্লবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা থোকহনবা হৌজিক্কী লাইচৎ অসিগী মনুংদা ইজরেলি মিলিয়ন ২দগী ৪ রোম ফাওবা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লকপা য়াই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নাফতালি বেন্নেট্টনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। নোংমাইজিং নুমীৎতা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, কেবিনেট মীটিং অমদা খন্নখিবা ইনফোর্মেসননা ইজরেলদা হৌজিক্কী ৱেভ অসিগী মনুংদা সিটিজেন মিলিয়ন ২দগী ৪ ফাওবা কোভিদ-১৯না শোকহল্লকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

গভর্ণমেন্টনা অথিংবশিং তোয়না শীনবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌনরকখিবগা মরী লৈননা বেন্নেট্টনা হায়খি মদুদি, ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অসি ঐখোয়না হান্না খঙখিদবা চাংদা লৌনগনবগী মওং অমা লৈরমখি। ভেরিয়েন্ট অসিনা কা হেন্না য়াঙনা শন্দোরল্লিবা অসিগা চান্নবা মওংদা ঐখোয়না অথিংবশিং তোয়না অপদেট তৌবনি। বেন্নেট্টনা ভেক্সিনেসনগী কেম্পেয়ন কনশিনবগা লোয়ননা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা য়ারিবমখৈ অথিংবা লৈহন্দবা পোলিসী অমা চৎনহন্দুনা লাক্লি। মীওই মিলিয়ন ৯.৪৫ লৈবা ইজরেলদা হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ কেসশিংগী অপূনবা মশীং অসি ১,৪৯৫,৫৭৭ য়ৌরে অমসুং হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা শিহনখিবা ইজরেলিশিংগী মশীংনা ৮,২৬৫ শুরে।